# রাম নাথ কোভিন্দ বিহার গভর্নরগী ফম থাদোকখ্রে, ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গর্ভনর কেশরি নাথ ত্রিপাথিনা অহেনবা থৌ পুখ্রে



কেশরিনাথ ত্রিপাথি



রাম নাথ কোভিন্দ

*ন্যু দিল্লি, জুন ২০ঃ*

প্রসিদেন্ট মীখলগা মরী লৈননা নেসনেল দিফেন্স এলাইন্স (এন দি এ) লৈঙাক্লা মীং লাউথোকখ্রবা মতুং রাম নাথ কোভিন্দ বিহারগী গভর্নরগী ফম থাদোকখ্রে। মীওই অদুনা গভর্নর ওইবগী ফম থাদোকখ্রবা মতুং ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গভর্নর কেশরিনাথ ত্রিপাথিনা বিহারগী গভর্নর ওইনা অহেনবা থৌ পুরগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

প্রসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিনা রাম নাথ কোভিন্দ ফম থাদোকখিবা অদু অয়াবা পীখ্রে। ঙসি অয়ুক কোভিন্দনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহগা উন্নখি। লোয়ননা বি জে পি নেসনেল প্রসিদেন্ট অমিত সাহগী য়ুমদা চৎতুনা উন্নখি।

বিহার নিৱাজনা এন দি এগী প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইগদবা মীং লাউথোকখ্রবা মতুং ঙরাং লুচিংবা কয়াগা উন্নখি। কোভিন্দ দলিট লুচিংবা অমা ওইনা উত্তরপ্রদেশতগী রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা অনীরক হন্না খল্লকখ্রবা মীওইনি।

ইং ২০১৫গী মমাঙদগী লুচিংবা অদু বিহারগী গভর্নর ওইনা থৌ পুরকখি। লুচিংবা অদুবু এন দি এনা প্রসিদেন্ট মীরেপ ওইননবা খল্লকখিবদা পার্টিগী মনুংদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোক্লখি।

ওপোজিসন পার্টিনসু কোভিন্দবু শৌগৎলক্কনি হায়বগী থাজবা বি জে পিদা লৈ। লুচিংবা অদু দলিট কাংলুপ্তা পোকখিবা অদুগা অৱাংবা থাক্তা থবক তৌরকখিবা মীওইনি।

নাকল অমরোমদা কংগ্রেস পার্টিনা বি জে পিবু মরাল শীরদুনা হায়, কোভিন্দবু প্রসিদেন্ট মীরেপ অমা ওইনা পুথোকপদা ওপোজিসন পার্টিশিংগা তান্নরমদে। নাকল অমরোমদা রাজ্য সভাগী ওপোজিসন লুচিংবা গুলাম নবি অজাদনা হায়, ওপোজিসন পার্টিগা চৎলিবা থা অসিগী ২২দা উন্নগনি। লোয়ননা মখা তাবা করি লাকপগে হায়বদু খন্নগনি হায়রি।

চৈরকসিদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর নিতিস কুমার অমসুং বি এস পিগী লুচিংবী ময়াৱাতিনা কোভিন্দ শৌগৎপা তোক্কদবনি হায়না ফোঙদোরক্লি। কোভিন্দগা নিতিস কুমারগা বিহারদা উন্নখ্রবা মতুং লুচিংবা অদুনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা বিহারগী চীফ মিনিষ্টর অমা ওইনা ষ্টেট অদুগী গভর্নরবু মথংগী প্রসিদেন্ট ওইননবা পুথোরকপদা নুংঙাইবা ফাওই। ইন্দিয়াগী মথংগী প্রসিদেন্ট ওইগদৌরিবা মীওই অদুদা নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়খি।

# সিরিয়াদা পোলিওগী কেস ১৫ থেংনরে ঃ ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন

*রাক্কা, জুন ২০ঃ*

সিরিয়াগী রাক্কা লমদমদা নৌনা পোলিওগী কেস ১৫ থেংনরে হায়না ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ঙসি ফোঙদোরক্লি। এদ ৱাকরশিংনা ইস্লামিক ষ্টেটনা খুদুম চনবা অমসুং য়ু এসনা লুচিংবা কাংবুনা এয়ারষ্ট্রাইক চথরিবা রাক্কাগী শরুকশিংদা পোলিও লায়না ঙাকথোক্লবা হিদাক অঙাংশিংদা পীথকপা ঙমখি।

চৎলিবা থা অসি হৌরকপদা ইস্লামিক ষ্টেটনা খুদুম চনবা সিরিয়াগী শরুকশিংদা পোলিও লায়নানা অঙাং অনী শোকহনবা থেংনখি। লৈবাক অদুদা ইং ২০১৪ দা পোলিও লায়না শন্দোরকখ্রবা মতুং লায়না অদু মুথৎনবা অকনবা থবক পায়খৎখি।

মালেমগী ওইনা পোলিও লায়না মুথৎনবা পায়খৎলিবা থৌশিলদা সিরিয়াদা নৌনা পোলিয়োগী কেস কয়া থেংনখিবা অদুনা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে।

ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী ৱাঙাংলোই টলিক জসারেবিকনা য়ু এনদা ঙরাং ফোঙদোকখিবদা সিরিয়াগী দেয়র অল জোর প্রোভিন্সকী মনুং চনবা ময়াদিন দিষ্ট্রিক্টতা পোলিওগী কেস ১৪









থেংনখ্রে। অদুগা কেস ১না রাক্কাদা থেংনখি। হায়রিবা সহর অদু ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্টশিংনা খুদুম চন্দুনা লৈবগা লোয়ননা য়ু এসনা শৌগৎপা লান্মীশিংদা অথিংবা পীরিবনি।

নোংমাইজিং নুমিৎতা য়ু এস মিলিটরিনা রাক্কা মনাক্তা লান্মীগী জেট ফাইটর শীজিন্নদুনা বোম থাদখি। মদুতা নত্তনা ইরাননসু ইস্লামিক ষ্টেটনা খুদুম চনবা নোংপোক থংবা সিরিয়াগী শরুকশিং মিসাইল কয়া কাপশিল্লকখি। সিরিয়াদা থোক্লিবা লানফম অদু মায়কৈ কয়াদগী চথরকপা লানফম অমা ওইরি।

পোলিও লায়নানা শোইনাইহন্দুনা পংথহনবগী কেস সিরিয়াগী রাক্কাদা থেংনখ্রে। ফিভম অদুদা নুংনাংবা ফাওরি। অঙাং অমা পোলিওনা শোইনাইহনবা হায়বদুনা তাক্লিবদি ভাইরস অদু শন্দোক্লি। ভাইরস অদুনা মখল ২০০ রোমগী লায়ওং উৎলকপা য়াই। মদু খ্বাইদগী নুংনাংনিংঙাই ওইবা অমনি হায়না জসারেবিকনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্লা মখা তানা ভাইরস অদু রাক্কাগী মফম কয়াদা লৈরে। পোলিয়োনা নাহনবা থেংনদ্রবসু মফম অমদা হেক্তা লায়না অদুনা শোকহল্লকপা য়াই। চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ৩দগী মে ২৩ ফাওবদা অঙাং ১৭ পোলিও লায়নানা নাহনবা থেংনরে।

ভাইরস অদুনা শোকহনবা চয়োল ৬তগী ৮ ফাওবগী মনুংদা লায়না অদুগী লায়ওং উথোরক্লি। তুংদা লায়না অদুনা শোকহল্লবা অঙাং অদু শোইনাইবা ফিভম লৈহল্লি। ৱার্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা দেয়র অল জোর অমসুং ময়াদিননচিংবা লমদমশিংদা লৈবা অঙাং লাক্ষ ৪ হেন্না ভেক্সিন পীননবা থৌরাং তৌরি হায়রি।

# সেন্টরনা ফার্ম লোন কোকথোকপগী ৱাফম খন্নদে ঃ জেটলি



*ন্যু দিল্লি, জুন ২০ঃ*

সেন্টরনা ফার্ম লোন কোকথোকপগী মতাংদা পুখৎলকপা নত্রগা খন্নবা অমত্তা লৈতে হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে। ৱাফম অদু পঞ্জাবতা ষ্টেট অদুগী ওইনা লুপা লাক্ষ ১০ ফাওবগী লোন কোকথোকপগী অয়াবা লৈখ্রবা মতুং ফোঙদোরকখিবনি।

হৌজক ফাওবগী ওইনা প্রপোজেল অমত্তা পুখৎলকপা লৈতে। ফিস্কেল রেসপোন্সিবিলিটি এন্দ বজেট মেনেজমেন্ট (এফ আর বি এম) এক্টকী মখাদা ফিসকেল দিফজিটশিং টার্গেট তৌরি। মখোয়না হায়রিবা শেনফমশিং অদু ফংননবা হোৎনরি।

য়ুনিয়ন বজেট ইং ২০১৭–১৮, ফিস্কেল দিফিজিট চাদ ৩.৫ ওইরম্বদগী চাদ ৩.২দা হন্থহন্নবা হোৎনরি। এফ আর বি এম কন্মিটি অদু হান্নগী রেভিন্যু সেক্রেটরি এন কে সিংহনা লুচিংলি। মহাক্লা ইং ২০২০ ফাওবগী জি দি পিদা লৈরিবা পুখরিবা চাদ ৩ ফাওবগী চাংদা বজেটতা হাপ্তুনা মেনখৎপা ঙম্ননবা পান্দম থল্লি।

ইং ২০২২–২৩ ফাওবদদি হায়রিবা বজেট অদু চাদ ২.৫ ওইহন্নবা হোৎনগনি হায়রি। কালেন লৌরোককী মতমদা ষ্টেট কয়াগী লৌমীশিংদা মখোয়না পুথোক্লিবা পোখোকশিংগী মমল কা হেন্না হন্থবগী খুদোংচাদবা অমা মায়োক্লরি।

লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা লৈবা লৌমীশিংনা ওইরক্লিবা ফিভম অদুদা খোঙজং চংশিল্লকখিবা লৈখ্রে। লৌমীশিং অদুনা মখোয়না পুথোক্লিবা পোখোকশিং অদুদা সপোর্ট প্রাইজ পীননবা অমসুং লোন কোকথোকপীনবা খোঙজং চংশিল্লকখি।

চৈরকসিদা মহারাষ্ট্র অমসুং উত্তরপ্রদেশতা লৌমীশিংনা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকখিবা মতুং ষ্টেটশিং অদুনা ফার্ম লোন কোকথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবা অদু সেন্টরনা খঙলে। মধ্য প্রদেশতসু লৌমী কয়া শেন্দোনগা লোয়ননা হিংলি। লৈবাক অসিগী ওইনা উত্তরপ্রদেশকী ওইনা অপীকপা অমসুং মার্জিনেল লোল লুপা ক্রোর ৩৬,৩৫৯ কোথোক্কনি হায়না লাউথোকখিবা অহানবা ষ্টেট ওইখি। ঙরাং পঞ্জাব ষ্টেটনসু লৌমীশিংদা পীবা অপীকপা অমদি মার্জিনেল লোল লুপা লাক্ষ ২ ফাওবা কোকথোক্কনি হায়না লাউথোকখ্রে।

মদুনা পোখোক পুথোক্লিবা মার্জিনেল লোল লৌবা লৌমীশিংদা খুদোংচাবা ফংহল্লগনি। নাকল অমরোমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়, ষ্টেট লৈঙাক্লা লৌরিবা ৱারেপশিংদা সেন্টরনা খুৎ থিংজিল্লোই। মখোয়না ফার্ম লোল অমসুং মরী লৈনবা লোন কয়া কোকথোকপগী ৱাফম অদু ষ্টেট মশাগী ওইনা ৱারেপ লৌজগদবনি হায়খি।

# লোকহিদনা টাটাগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা এফ–১৬ ফাইটর শারগনি



*ন্যু দিল্লি, জুন ২০ঃ*

লোকহিদ মার্টিননা ইন্দিয়াগী হেন্না খুৎমাং চাওশিল্লবা টাটা কম্পেনিগা ফাইটর প্লেন এফ–১৬ ইন্দিয়াদা শান্নবা এগ্রিমেন্ট অমা সাইন তৌনখ্রে। ইন্দিয়ান মিলিটরিনা বিল্লিয়ন দোল্লর কয়া চাদিং তৌগদবা অদু য়েংলগা টেক্সাজনা এয়ারক্রাফ অদু ইন্দিয়াদা শান্ননবা থৌশিল য়ান্নবা অমগী মখাদা পায়খৎপনি।

ইন্দিয়াদা সোভিয়েট য়ুনিয়নগী মতমগী এয়ারক্রাফশিংগী মহুৎ শীন্ননবা মতমগা চুন্নবা এয়ারক্রাফ চা কয়া তঙাইফদনা লৈবা মথৌ তাই। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক্লা মপান লৈবাক্কী সপ্লাইয়রশিংদা ইন্দিয়াদা লৈবাক অসিগী কম্পেনিশিংগা মপাং ওইদুনা প্লেন শাবীনবা অমদি প্লেনশিং লৈবাক অসিদা পুশিল্লকপদা চংবা শেনফমগী চাং হন্থহন্নবা হোৎনরি।

ইন্দিয়ানা প্লেন ১০০দগী ২৫০ ফাওবা শাগদবা প্রোজেক্ট অদু ওপন তৌরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈ। মেক ইন ইন্দিয়া হায়বা লৈঙাক অসিগী থৌশিলগী মখাদা মপান লৈবাকশিংনা ইন্দিয়াদা এফ–১৬ শান্ননবা থৌশিল পায়খৎপনি হায়না লোকহিদ মার্টিনগী লুচিংবা ফিল্ড হৱার্দনা ফোঙদোরক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মেক ইন ইন্দিয়া হায়বা থৌশিল অদুগা নৌনা য়ুএসকী প্রসিদেন্ট ওইরক্লবা দোনাল্ড ত্রম্পকী থৌশিলগা চয়েৎনবা কয়া থোক্লে।

মোদিগী থৌশিলগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা ফেক্টরি লিংখৎতুনা শেম শাবা পাল্লি। লোকহিদনা য়ু এস এদমিনিষ্ট্রেসনগা উন্নখ্রে। মখোয়না দোনাল্ড ত্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন শৌগৎকনি হায়বা ৱাফম ফোঙদোকখি।

স্বিদেন্দগী কম্পেনিশিংনা ইন্দিয়া এয়ারফোর্সতা মচাক মথুম পীদুনা লাকখি। মদুগী মহুৎ ইন্দিয়ানা লৈবাকশিং অদুগী মতেংগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা এফ–১৬ ফাইটর শান্ননবা পান্দম থল্লি।

# অফগানিস্তানদা লৈবা খ্বাইদগী চাওবা মিলিটরি বেজদা চথরকখিবা এটেক্তা অফগান গার্দ ৮ শীরে

*কাবুল, জুন ২০ঃ*

অফগানিস্তানদা লৈবা য়ু এস মিলিটরিগী খ্বাইদগী চাওবা বেজদা থবক তৌবা মীওইশিং দা নোংমৈ পায়বা মীওইশিংনা এটেক্ট চথরক্তুনা অফগান গার্দ ৮ হাৎখ্রে।

কাবুলগী অৱাং থংবা বগ্রাম বেজ মনাক্তঃ ঙরাং নোংমৈ পায়বশিং অদুনা গার্দশিং অদুদা এম্বুস তৌরকখিবনি হায়না দিষ্ট্রিক্ট গভর্নর অব্দুল সাকুর কুদুসিনা ফোঙদোরক্লি।

লৈখিদ্রবা মীওইশিং অদু লমদম অদুদা লৈবা অদুগা বগ্রামদা গার্দ ওইনা থবক তৌবা মীওইশিংনি। থৌদোক অদুদা অতোপ্পা গার্দ অনীসু অশোক অপন নংখি। এটেক্ট অদু কনানা চথরকখিবনো হায়বা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি।

লালন্না শোকহল্লবা অফগানিস্তানদা টালিবানশিংনা আই এস আই এসকা খুৎশম্নদুনা পাক শন্না এটেক্ট কয়া চথরকপা লৈখ্রে। ওইরক্লিবা ফিভম অদু য়েংলগা অফগানিস্তানদা মথৌ তৌহল্লিবা য়ু এস মিলিটরিগী মশিং হেনগৎহল্লকপা য়াই হায়রি।

টালিবাননা লৈবাক শীন–থুংনা ওফেন্সিপ ষ্ট্রাইক চথগনি হায়না লাউথোকখিবা মতুং লৈবাক অদুদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লরি। অফগানিস্তানদা লৈবা য়ু এস মিলিটরি কম্মান্দরনা লান্মী লিশিং ১ হেন্না লৈবাক অদুদা থাবিরক্লবা হায়জখ্রে হায়রি।

অফগানিস্তানদা হৌজিক য়ু এসকী লান্মী ৮৪০০ লৈরি। অদুগা নাটোগীনা লান্মী লিশিং ৫ লৈরি। চহী ৬কী মমাঙদদি য়ু এসকী লান্মী লাক্ষ ১ রোম লৈরম্বনি। মখোয়না লানফমদা থোক্তুনা লান্মীশিংদা পাউতাক পীবগী থবক তৌরকখিবনি।

বগ্রাম হায়রিবা মফম অদু কাবুলগী অৱাং লোমদা কিলোমিটর ৫০ রোম চৎলগা লৈবা মফমনি। মফম অদুদা য়ু এসকী লান্মী খ্বাইদগী মশিং য়াম্না লৈরিবনি হায়রি।

থাংজ নুমিৎতা অফগান লান্মী অমনা কেম্প সাসিনদা য়ু এস লান্মীদা এটেক্ট চথরকখিবদা লান্মী ৭ অশোক অপন নংখিবসু লৈখ্রে। মজর–ঈ–সরিফ সহরগী অৱাং থংবা শরুক্তা লৈবা অফগান লান্মীগী কেম্প মনুংদা খুৎলায় পায়বা অফগান লান্মী অমনা য়ুএস লান্মীশিংদা এটেক্ট চথরক্তুনা অশোক অপন নংহনখিবনি হায়রি।

# বঙ্গলাদেশতা ব্রজ তাবদা মীওই ২২ শীখ্রে

*ধাকা, জুন ২০ঃ*

বঙ্গলাদেশতা কুমগী নোং য়ৌরকখিবা অমসুং অকনবা নোং মরক্তা ব্রজ তাবনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা মীওই ২২ শীখ্রে হায়না বঙ্গলাদেশ ওথোরিটিনা ঙসি ফোঙদোরক্লি। চয়োল অমগী মমাঙদগী কুমগী নোং য়ৌরকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অদুদা অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা লেন্দ স্লাইদ থোক্তুনা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংহনখ্রে।

থাংজ অমসুং নিংথৌকাবা নুমিৎতা নোংলৈ নুংশিৎনা মীওই কয়া শীহনখি হায়না দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট দিপার্টমেন্টকী মকোক রিয়াজ অহমেদনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখ্রে।

লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা নহা ওইরিবা মতৈ মনাও অমনা মচানুপীগা লোয়ননা মখোয়গী লৌবুক্তা থবক শুরিঙৈদা ব্রজ তারকপদগী শীখিবা য়াওরি। বঙ্গলাদেশতা চহী খুদিংগী ব্রজ তাবনা মরম ওইরগা মীওই চা কয়াগী পুন্সি মাংহল্লি। ফিভম অদু মালেমগী অইং অশাগী ফিভম হোংলকপনা মরম ওইরগা হেন্না খুদোংথিহল্লি।

লৈবাক অদুদা পাক শন্না উমং কোকথোকপা অমসুং অৱাংবা উপাম্বী মরু ওইনা পাল্ম ট্রিশিং য়াম্থৎখিবনা মরম ওইরগা লাইটনিং কন্দক্টর ওইনা থবক তৌরম্বগী চাং হন্থহল্লক্তুনা মীওইবদা শোকহল্লকপনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

# অৱাং নোংপোক্তা ঙসি অকনবা নোং চুগনি, মিজোরাম ঈচাওনা শীখিবা ১২ শুখ্রে, য়ুম ৮৭৭ মাঙ তাকখ্রে

*গুৱাহাটি, জুন ২০ঃ*







অৱাং নোংপোক লমদমদা ঈচাও অমসুং লেন্দ স্লাইদনা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রবা মতুং মথংগী পুং ২৪দসু সব–হিমালয়া লমদমশিংদা কুমগী নোংনা মরম ওইরগা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

ৱেষ্ট বেঙ্গল, সিক্কিম অমদি অৱাং নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী শরুকশিংদা অকনবা নোং চুগনি হায়রি। সাউথ ৱেষ্ট মোন্সুন চংশিল্লকপনা মরম ওইরগা ৱেষ্ট বেঙ্গলগী গঙ্গা তুরেলগী তম্পাকশিং অমদি সিক্কিম য়াওনা অৱাং নোংপোক্কী মফম কয়াদা হৌখিবা পুং ২৪দা মিল্লিমিটর ১৭৭ য়ৌনা নোং চুহনখি।

জুন ১৯ ফাওবদা লৈবাক শীন–থুংনা নোং মরাং কাইনা চুখিবা থেংনৈ। হৌজিক হৌজিক খা থংবা পেনিনসুলাদা চাদ ১৭ অমসুং ময়াই থংবা ইন্দিয়াদা চাদ ৫গী চাংদা নোং চুখ্রে। নোংপোক থংবা অমসুং অৱাং নোংপোক থংবা ইন্দিয়াগী শরুকশিংদা নোং চুবগী ৱাৎলিবা চাং অদু চাদ ৩ খক্তমক ঙাইরে।

লৈবাক অসিগী তোঙান–তোঙানবা মফম ভালসাদ, নাশিক, জমসেদপুর অমসুং বগলপুরনচিংবা মফমশিংদা মখা তানা নোং চুরি। মদুতা নত্তনা অৱাং নোংপোক্কী ষ্টেটশিং অরুনাচল প্রদেশ, করনাটকাগী সমুদ্র খোঙবান অমদি রাইয়ালাসিমা, টমিলনাদু, মরাথাৱারা অমসুং টেলঙ্গনাদা নোং চুরি।

হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদগী মিজোরামদা অকনবা নোং চুবনা মরম ওইরগা ঈচাও থোকপদগী মীওই ১২গী পুন্সি মাংখ্রে। অদুগা য়ুম ৮৮৭না লেন্দ স্লাইদ অমসুং ঈচাওনা মরম ওইরগা মাং তাকখ্রে। মিজোরাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এন্দ রিহেব্লিটেসন দিপার্টমেন্টনা চৎলিবা থা অসিগী ৯দগী ষ্টেট অদুদা ওইরিবা ফিভমশিং অদু য়েংশিনদুনা লাকখি।

মিজোরামগী টলাবুং সব দিভিজনগী মনুং চনবা নুংলৈ দিষ্ট্রিক্টতা চহী ৩ খক্তা ঙাইরিবা নুপা মচা অমা য়াওনা মীওই ১০গী পুন্সি মাংখ্রে। আইজোল অমসুং থংননা লৈবা দিষ্ট্রিক্টশিংদা হৌখিবা নুমিৎ ১১নি অদুদা শাথিবা লেন্দ স্লাইদ অমসুং ঈচাও থোকপনা মরম ওইরগা মীওই কয়াগী পুন্সি মাংখ্রে।

মিজোরাম ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এন্দ রিহেব্লিটেসন দিপার্টমেন্টনা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট অদুদা অকনবা নোংনা ওইহনখিবা লেন্দ স্লাইদ অমসুং ঈচাওনা মরম ওইরগা য়ামদ্রবদা য়ুম ৮৭৭ মাং তাকহনখ্রে। অদুগা অতোপ্পা য়ুম ২২০না মচেৎ মকায় অমাং অতা থোকখ্রে হায়রি।

লেপ্পা লৈতনা চুরকখিবা কুমগী নোংনা মরম ওইরগা অরুনাচল প্রদেশতা মীওই ১ শীহনখ্রে। অদুগা ৩না অশোক অপন নংখ্রে। অকনবা নোং অদুনা ইটানগর মনাক্তা লৈবা চিম্পু খুঙ্গংদা লেন্দ স্লাইদ থোকহন্দুনা নুপী মচা অমা শীহনখি। অদুগা মীওই ৩না শোকহনখি।

বিকি অঞ্জু (১৮) কৌবী চীম্পু সেকেন্দরি স্কুলদা ক্লাস ১০ তম্বী নুপী মচা অমা তুন্লিঙৈদা লেন্দ স্লাইদ থোক্লকপদগী মহাক্লা লৈরিবা য়ুম অদুগা কোন্ননা ননশিনখি। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা নুপী মচা অদু চাওনা অশোক অপন নংখি। অশোকপা অদুনা মরম ওইরগা মহাক লৈখিদ্রে। লমদম অদুদা লেন্দ স্লাইদ থোক্লকপনা মরম ওইরগা মীওই কয়া অশোক অপন নংখি।

পার্লিয়ামেন্টরি সেক্রেটরি, এম এল এ টেচিকাসোনা ইটানগর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী কাউন্সিল্লর বিরি টুগদো অমসুং টেচি মেম্মাগা লোয়ননা খুদোংথিবা নংলবা মফমশিং অদুদা চৎতুনা য়েংশিনখি।

হন্দক অৱাং নোংপোক লমদমদা চুরকখিবা অকনবা কুমগী নোংনা মরম ওইরগা ত্রিপুরাদা মীওই লিশিং ২ রোমময়ুম মকৈ লৈহন্দ্রে। ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিৎতা তুমদুনা লৈবা চহী ৭৫ শুরবী নুপী অমা বিজয় তুরেলগী মৌখৎলকপা অকনবা ঈচেলনা চেম্থখি। রৌটখালা হায়রিবা খুঙ্গং অদু ষ্টেট অদুগী কোনুং অগরটলাদগী কিলোমিটর ২০ লোম লাপ্পা লৈবনি হায়রি।

ৱেষ্ট ত্রিপুরা দি সি মিলিন রামটেকেনা ফোঙদোরকখিবদা ষ্টেট অদুদা ওইরিবা ফিভম অদু য়েংলগা রিলিফ কেম্প ৫৯৮ হাংদোকখ্রে। ষ্টেট অদুগী চীফ মিনিষ্টর মনিক সরকারনা ওইরিবা ঈচাওগী ফিভম অদু ঙরাং নুমিদাং য়েংশিনখ্রে। মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিংদা তঙাইফদবা থবক থৌরমশিং পায়খৎনবা খঙহনখ্রে।

# অরুনাচল প্রদেশতা মেগ্নিচুদ ৩.৫ য়ৌবা যুহার হাখ্রে

*ইটানগর, জুন ২০ঃ*

ঙসি অয়ুক পুং ১০.০১ তাবদা অরুনাচল প্রদেশতা ময়াই ওইরপ কনবা মেগ্নিচুদ ৩.৫ য়ৌবা যুহার হাখ্রে। যুহার হাবা অদুদা মীওইবগী পুন্সি মাংবা নত্রগা লন–থুম মাং তাকখিবগী পাউ লৈতে।

ঙসি অরুনাচল প্রদেশতা হাখিবা যুহার অদু থারগা থা অসিগী মনুংদা অৱাং নোংপোক লমদমদা যুহার হাখিবা ৪শুবা থৌদোক ওইরে।

নুমিৎ নিনিগী মমাঙদা মণিপুরগী থৌবাল দিষ্ট্রিক্টতা ইপিসেন্টর ওইদুনা মেগ্নিচুদ ৪.৪ য়ৌবা ময়াই ওইরপ কনবা যুহার হাখ্রে। চৎলিবা থা অসিগী ১৯দা মণিপুরগী চুরাচন্দপুর দিষ্ট্রিক্টতা ইপিসেন্টর ওইদুনা মেগ্নিচুদ ৩.০ য়ৌবা যুহার হাখি।

মদুতা নত্তনা জুন ১দা মণিপুরগী সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টতা ইপিসেন্টর ওইদুনা নুমিদাংৱাইরম পুং ৫.৪৮ চৎপদা মেগ্নিচুদ ৩.২ খক্তমক ওইবা যুহার হাখি হায়রি।

**সনা–সুদোকু– ৮৯৪ গী সোল্যুস**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 9 | 5 | 3 | 8 | 1 | 6 | 4 | 7 | 2 |
| 2 | 1 | 4 | 7 | 3 | 5 | 8 | 6 | 9 |
| 6 | 7 | 8 | 4 | 2 | 9 | 1 | 3 | 5 |
| 8 | 2 | 7 | 3 | 5 | 4 | 9 | 1 | 6 |
| 4 | 9 | 5 | 6 | 8 | 1 | 7 | 2 | 3 |
| 3 | 6 | 1 | 2 | 9 | 7 | 5 | 8 | 4 |
| 7 | 3 | 9 | 5 | 6 | 8 | 2 | 4 | 1 |
| 1 | 4 | 6 | 9 | 7 | 2 | 3 | 5 | 8 |
| 5 | 8 | 2 | 1 | 4 | 3 | 6 | 9 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-894**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | | 9 | | |
| | 2 | | 6 | 4 | | 8 | 5 | |
| | | | | | 1 | | 3 | |
| | | | | 1 | | 6 | | |
| | | 8 | 5 | 3 | | | | |
| | 6 | 3 | | 7 | 2 | | | 5 |
| | | | | | | | | 8 |
| 3 | | | 7 | 9 | | 5 | 4 | |
| | | | | | | | 1 | 6 |


**GAS TODAY**

**IMPHAL LPG SERVICE**
19kg Commercial stock ...180

**ATHOKPAM INDANE**
Booking upto .......27/03/2017
Valid from ........... 19/03/2017
Stk.................................612
Timing........7.00 to 10.00 a.m

**KHUMBONG GAS**
Booking upto .......18/04/2017
Valid from ........... 17/04/2017
Stk.................................308
Timing........7.30 to 10.30 a.m

**OFFICE OF THE IMPHAL SMART CITY LIMITED DIRECTORATE OF MAHUD, PDA COMPLEX, NORTH AOC, IMPHAL**

No. 3/1/2017-ISCL Imphal, the 8th June 2017

**REQUEST FOR PROPOSAL (RFP)**

The Imphal Smart City Limited (ISCL) invites RFP for selection of a Project Management Consultant (PMC) to design, develop, manage and implement Smart City projects under Smart City Mission (SCM) in Imphal, Manipur. The scope of work, instruction to the agencies, eligibility criteria and prescribed format etc. may be downloaded from the websit http://manipur.gov.in/ and http://imc.mn.gov.in/.

The proposal complete in every aspect may be delivered to the undersigned by Post/Courier/Registered Post or through special messenger on or before 15.00 hrs of 10th July 2017 in a sealed envelope superscribed with "RFP - Project Managment Consultant- Imphal Smart City Limited". Submission of proposal through other mode will not be accepted. Documents received after the above mentioned date will not be entertained. ISCL will not be responsible for any delay/postal delay or bids lost/damaged in transit in receiving the proposal.

**(Th. Harikumar Singh)**
Chief Executive Officer
Imphal Smart City Limited

No.2/33/2015-DIPR(V-III)

In case of queries and clarification on the above, please contact :
CEC, ISCL
Directorate of MAHUD, PDA Complex, North ACO, Imphal -795001
Email : ceoimphalsmartcity@gmail.com or poimphalmunicipal@gmail.com